## জিপকা এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): গুরু ইবেমপিশক কলচরেল একাদেমী (জিপকা) গী মরিশুবা মপোক থৌরমগা লোয়ননা জিপকা এৱার্দ ওজা লাইরেনলাকপম যাইমা (পুঙ) অমসুং ওজা খোইস্নাম ক্রিটি (ঈশৈ)দা দেপ্যুটি মিনিষ্টরনা লান্থোকখ্রে।

উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দা লৈবা শ্রী শয়ী রাধেশ্যাম মান্দপতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুরগী কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবদা ঐসু থৌদাং লৌগনি। ঙসি জিপকাগীদমক্তা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমদি হোৎনবসিদা নুংঙাইবা পোকই। কলচর হায়বসি মীওইবনা খন্থবা চঙই। কলচরগা রিলিজনগা মরী লৈননবদৌনা খন্নরি হায়খি।

থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী এৱার্দী, এদভাইজর জিপকা সৌগাইজম থানিলনা প্রসিদেন্ট ওইখি। সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী অমসুং জিপকাগী এদভাইজর লৈমাপোকপম লাকপতি অমসুং হান্নগী ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী জোনেল দিরেক্টর ব্রহ্মচারিময়ুম বিরামঙ্গোল শর্ম্মনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। গুরু ইবেমপিশক কলচরেল একাদেমীগী এৱার্দ অসিগী ওইনা সাইটেসন, মমেন্টো অমসুং সোলগী মনা ওজা লাইরেনলাকপম যাইমা (পুঙ) অমসুং ওজা খোইস্নাম ক্রিটি (ঈশৈ) দা লান্থোকখি।

## রিমিদিএল কোচিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): থা ৬ চত্থগদবা ফ্রী রিমিদিএল কোচিং ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা ঙসি সগোলবন্দদা লৈবা কেবোল হায় স্কুলদা হৌদোকখ্রে।

মণিপুর মাইনোরিটিস এন্দ ও বি সী ইকনমিক দিভলপমেন্ট সোসাইটি, দিপার্টমেন্ট ওফ এম এ, ও বি সী এন্দ এস সীনা শীন্দুনা সগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ, আর কে ইমোগী অচৌবা থৌদাংগা লোয়ননা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা ৱেলফ্যের ওফ ও বি সী এন্দ এস সীগী দিরেক্টর এন জি ভোগেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট ওইখি। মাইনোরিটি এফ্যেরসকী দিরেক্টর অমসুং এম ও বি ঈ দি এসকী মেম্বর সেক্রেটরি এন সজি উত্তমনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

এন জি ভোগেন্দ্রনা হায়খি, মহৈরোয়শিংগী পুন্সি লম্বী অসি য়াম্না শাংই। মহৈরোয়শিংগীদমক্তা পায়খৎপা ফ্রী রিমিদিএল কোচিং অসিনা অরোইবা নত্তে। কোচিং অসিদগী ফংলকপা বেসিক্কী লৌশিং কয়াসি খঙহৌনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

এন জি উত্তমনা হায়খি, লমদম অসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরকপা হায়বসিদা লৈঙাক্কী থৌদাং চাদা ৬০ নি। অদুগা চাদা ৪০ না খুন্নাই অমদি মমা-মপা ওইবগী থৌদাংদিন। এদ্যুকেসন সেক্তরদা ক্বালিটি লৈহন্নবগীদমক্তা সেক্টর অসিদা পোলিটিসাইজ তৌগুমসি হায়খি।

## সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ৩০: ওল ইন্দিয়া যোগ কলচর ফেদরেসন, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মখাদা ভিদ্রভা যোগ এসোসিএসন নাগপুরনা শীন্দুনা অগ্রাসেন ভবন, নাগপুর ভিদ্রভাদা পাঙথোক্কদবা ৩২ শুবা নেসনল যোগ আসানা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ অমসুং অনীশুবা রিডিমিক যোগ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা শরুক য়াগদবা যোগ শান্নরোয়শিং খন্ননবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা চহী অসিগী জুলাই ৭ কী অয়ুকপুং ৯ তাবদা রাধা গোবিন্দ যোগ সেন্টর, উরিপোক লাইখুরেম্বীদা পাঙথোক্লগনি হায়না সেন্টর অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি রমানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। শরুক য়ানিংবশিংনা সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াবীয়ু। অকুপ্পা মরোল সেন্টর অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লৈকোলগী মীফম পাঙথোকখ্রে, থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) গী চহীগী অপূনবা মীফম (জি বি মীটিং) ঙসি মণিপুর হিন্দী পরিষদকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। কুমজা ২০১৯-২২ গী নৌনা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে।

লৈকোলগী নৌনা থৌ পুগদবশিংগী মনুংদা প্রসিদেন্টতা ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনী, সেক্রেটরিদা দল্লিয়ু কুমারী চনু য়াওরি। লৈকোলগী চহীগী মীফমদা থৌরম মপু ওইখিবা লৈকোলগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর নহাকপম অরুনানা ফোঙদোকখিবদা, লৈকোল অসি এম কে বিনোদিনিনা শেমগৎপীরম্বা নুপী অইবীশিংগী ওইবা মফম অমনি। নুপী অইবীশিংনা লমদম অসিদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। হৌগৎলক্লিবা নুপী অইবীশিং শেমগৎপা অমদি য়ুমগী কা মনুংদা ইনিংবগী ইহুলদি লৈরগা ফোঙদোকপা ঙমদনা লৈরিবা কয়া অমবুসু শেমগৎপীদুনা ইহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা থোরক্লিবনি। অইবীশিংবু য়োকখৎপা হায়বসি লৈকোলগী য়াম্না মরুওইবা পান্দমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চহীগী পাউদম পীরদুনা লৈকোলগী সেক্রেটরি মায়া নেপ্রমনা হায়খি, লৈকোলনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৮ গী জুন ১৯ দা লৈকোল অমদি সাহিত্য একাদেমীগা খুৎশম্নদুনা সিগ্নিফাইং ৱিমেন ইন মণিপুর লিটরেচর হায়বা হিরমদা সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখি। নুমীৎ অসিদা লৈকোলগী চেফোঙসু ফোঙখি। সিম্পোজিয়ম অসিদা ডা. দল্লিয়ু কুমারী, ডা. এল সঙ্গীতা, ডা. সী ঐচ কিরনমালা অমদি ডা. বি তরুনকুমারীনা পেপর পাথোকখি। কুমজা ২০১৮ গী ওগষ্ট ২০ দা মণিপুরী লোলগী নুমীৎ পাঙথোকখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, লৈকোল, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি, মণিপুর লিটরেরি সোসাইটি, রাইটর্স ফোরম, শাথৌলূপ, ইমাখোল, মণিপুরী শুমাং লীলা কাউন্সীল, মণিপুর লেংগ্বেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, মতম ঈশৈ কাঙলুপ, ফিল্ম ফোরমনচিংবনা পুনশিন্দুনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

কুমজা ২০১৮ গী সেপ্টেম্বর ৯ দা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ডা. নহাকপম অরুনানা থৌরম মপু ওইদুনা লৈকোলগী মীফম পাঙথোকখি। লৈকোলনা মপান্দা সাহিত্যগী থৌরম কয়াসু শরুক য়াখি।

লৈকোলগী মেম্বরশিং তোঙান তোঙানবা লমদা পাঙথোকপা সাহিত্যগী থৌরমশিংদা শরুক য়াখি। কোলকাটাদা পাঙথোকপা সাহিত্যগী থৌরমদা লৈকোলগী মেম্বরশিং, বীমাবতি থিয়াম, বীনাপানী থোকচোম, ঙাঙোম একাশিনী, মায়া নেপ্রম, চোংথাম সুবদনী, লোংজম সঙ্গীতা, ৱাহেংবম কুমারীসু শরুক য়াখি। চোংথাম সুবদনী, বীমাবতি থিয়াম ওংবী, ঐচ রঞ্জনা, সলাম ইবেমপিশক, এল সোবিতা, আর কে দেবশ্বতা অমদি গঙ্গাসু মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়া সাহিত্যগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বর ১৫ দা লৈকোলগী চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপা খোরিরোলগী মনা চোংথাম বীমলা বসন্তা এৱার্দ, ২০১৮ পীবগী থৌরম মণিপুর হিন্দী পরিষদকী ওদিটোরিয়ম, ওল্ড এসেমব্লী রোদ, ইম্ফালদা নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা প্রোফেসর আই এস কাংজম, প্রসিদেন্ট, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট অমদি লৈকোলগী প্রসিদেন্ট নহাকপম অরুনানা থৌরম মপু ওইখি। চোংথাম বীমলা বসন্তা এৱার্দ ২০১৮ লমদমসিগী মীয়াম্না শকখঙনরবী খোংজোম পবর্ব শৈশকপী নামৈরাকপম ইবেনিদা খুৎশিন্নখি হায়নসু মখা তাখি।

অনীশুবা সেসনদা লৈকোলগী চেফোঙ ফোঙখি। শৈরেং-শৈদিন্নবসু পাঙথোকখি।

# থবক্তগী পোত্থারবশিংনা দিপার্টমেন্টকী চাউখৎনবা লৌশিং পীরক্কনি থাজে : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): থবক্তগী পোত্থারবশিংনা দিপার্টমেন্টকী চাউখৎনবা লৌশিং কয়া পীরক্কনি থাজে হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ফ্যেরৱেল প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমদি মসিগী মখাদা লৈরিবা ওফিসশিংনা শীন্দুনা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম লক্ষ্মীকুমার অমসুং মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরীগী লাইব্রেরিয়ান ঈ লাতাকিশ্বর অনীগী থবক্কী মতম লোইদুনা ঙসিদগী পোত্থারগদবা অনীবু ফ্যেরৱেল পীবগী থৌরম মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। খুদোল পীদুনা ঈকায় খুম্নবসু উৎখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকমারনা হায়খি, থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মীওইবগী পুন্সি হৌই হায়নৈ। থবক তৌরিঙৈদা ফংবা এক্সপিরিয়েন্স অমদি লৌশিং অদুনা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক্তা হোৎনবীরম্বা অসিদা হেন্না নুংঙাইবা ফাওই। মখোয়না লৌরম্বা থৌদাং কৈদৌঙৈদসু কাউবা য়ারোই। ঙসি তমজরিবা খুদোল অসি মমল য়াম্বদি নত্তে অদুবু থম্মোয়গী ওইবা নুংশি খুদোলনি।

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অসিগী তৌগদবা থবক্না য়াম্বা অদুগা অমরোমদনা শেল লৈতবা দিপার্টমেন্ট হায়বদু ওইরে। মসিগী অৱাবসি কোক্নবা হায়দুনা সেন্টরদা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রিবা অসিগী আর্ট এন্দ কলচর অমদি টুরিজমগী মিনিষ্ট্রিদা থবক্তগী পোত্থারবা কম্মিস্নার এম লক্ষ্মীকুমারনা থৌদাং লৌদুনা হোৎনবীরম্মী। মহাক্না য়াৎলম্বা লম্বীশিং অমদি খোঙ্গুল লিদুনা থবক থৌরম কয়া অসি পায়খৎপা ঙম্নবা লাক্কদৌরিবা কম্মিস্নার অদুনসু হোৎনফম থোকই।

আর্ট এন্দ কলচর হায়রগা জগোয়-ঈশৈ খক্তা নত্তে। আর্ট এন্দ কলচরনা কোনশিন্দবা মফম অমত্তা লৈতে অদুনা আর্ট এন্দ কলচরনা মণিপুর মশক তাকই হায়বসি খঙনরবনি। লমদম অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা ৱাখল্লোন কয়াগী মরক্তা ৱেষ্টর্নগী ৱাখল্লোনসু য়াওশিল্লক্লবা মতমনি। অসিগুম্লবা মতম অসিদা অহল-লমননা থম্বীরম্বা পুক্কৈশিং ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা এল লক্ষ্মীকুমারনা প্রসিদেন্ট অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এম শিবদাসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। মণিপুর ষ্টেট কলা, ম্যুজিয়ম, অর্কাইবস, সেন্ট্রেল লাইব্রেরী, আর্ট এন্দ কলচর অমদি মসিগী মখাদা লৈবা ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

# 'পার্কিং ওইশিনবদা করিমত্তা তৌদ্রগা পোৎ য়োনবা তান্থোক্লিবা করিগীনো'

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, পাউনা কৈথেলনচিংবদা লম্বী তংখায় পার্কিং ওইশিনবদা করিমত্তা তৌদ্রগা হিংনবগীদমক লম্বীগী নাকল পোৎ য়োঙ্গরিবশিংদা কোয়তান তাল্লিবা করিগীনো হায়না মণিপুর পিপলস দেম্ক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ) কী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সাপম শামুঙৌনা হায়খি, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং ফমগদবনি। ফম্বা য়াদে হায়রগদি মখোয়গী ফম্নবা মফম পীবা তাই। লৈঙাক্না থৌশিল থৌরম পায়খৎলু। পাউনা কৈথেলদা লম্বী তংখায় পার্কিং ওইশিনবদা করিমত্তা হায়দ্রগা লম্বীগী নাকলদা পোৎ য়োল্লিবশিংদা কোয়তান তাল্লিবা করিগীনো। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসি মীশিং য়ামদ্রিঙৈ মতমদদি কোম্না ফল্লম্বনি। কৈথেল অসি খ্বাইদগী চিনবা মফম ওইরবসু লম্বীগী নাকলদা এঙ্গাং-নাপী য়োল্লিবা ইমা-ইবেলশিং ফমহন্নবা থৌরাং পায়খৎকদবনি। মতমগা চুনবা মওংদা অনৌবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মফম চাবা য়েংলগা শাবীয়ু। বৃটিশকী মতমদা ইন্দিয়াগী কোনুং দিল্লিদা হোংখিবা অদুনি। অসামগী কেপিটেল গুৱাহাতিদা ওইরম্বদগী দিস্পুরদা হোংখিবা অসিনি। মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না কৈথেল শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। নম্বোল, ককচিং, মোইরাংনচিংবা মফম কয়াদগী পুরক্লগা য়োনবসু য়াওরি। লম্বীগী নাকলদা পোৎ য়োঙ্গরিবশিং তানখায়বা হেক হেক থেংনরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়নগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন, মণিপুরগী জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯-২১ গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুনিয়ন অসিগী থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা ৱাই ইন্দ্রানি, ভাইস প্রসিদেন্টতা এম নুপীমচা, জেনরেল সেক্রেটরিদা এন ইবেতোম্বী, ট্রেজররদা কে ঐচ মিনা অমদি জেইন্ট সেক্রেটরিদা টি অরুনানি। ঙরাং ইরাবত ভবন ওদিটোরিয়মদা মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন, মণিপুরগী জেনরেল বোদি মীফম এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম শখি, এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী সেক্রেটরি এ সরতচন্দ্র, ওল মণিপুর আশা ৱার্করস য়ুনিয়নগী অর্বান এরিয়া কম্মিটিগী কনভিনর সী ঐচ ইবেতোম্বী অমসুং মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানি, ভাইস প্রসিদেন্ট এম নুপীমচানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুগী ৱাহৌদোক পীরদুনা এল সোটিনকুমারনা, মণিপুরদা মিদ দে মিল স্কিম অসি চহী ১৫ গী মমাঙদগী চৎনবা হৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা অঙাংশিংবু মশা-মউ তীঞ্জং-কায়জংদনা অমদি দ্রোপ আউট লৈহন্দনবা হোৎনদুনা মতম শাংনা অঙাংশিংগীদমক চাক ঈশিং থোংদুনা পীজরিবা মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী থাগী ওনেরিয়ম লুপা লিশিং ১ দগী হেন্না পীদবসি অঙকপা ফাওই। ইনিদয়াগী মফম অতৈদা হায়রিবা শিন্মীশিং অসিগী খুৎশুমল লুপা লিশিং ১০ গী ময়াদা পীনবা য়াওরবসু মণিপুরদদি মচি লেংদ্রি। তশেংনা হায়রবদি মণিপুরদা চাক থোংবা অমনা য়ামদ্রবদা লুপা ৮০০ দগী হৌরদুনা ১০০০ গী মথক্তা পীনরবা মতমনি। এ আই টি য়ু সী অমদি মসিদা এফিলিএট তৌরিবা মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন, মণিপুরনা থা অমদা হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা থবক তৌজরিবা শিন্মীশিং অসিগী খুৎশুমল অসি লুপা লিশিং ১৮ দা হেনগৎনবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। নেসনলগী থাক্তা অমদি ষ্টেটকী থাক্তা থেংনদুনা অমদি তক্নদুনা লাক্লি।

তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৮ তকশিল্লদুনা মসিগী মেমোরেন্দম ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্তা পীশিনখ্রে। লোয়ননা জুলাই ৮ দা ভিসাখপত্নমদা লৈবা কলা ক্ষেত্রমদা পাঙথোক্কদৌরিবা স্কিম ৱার্করশিংগী নেসনল কাউন্সীল মীফমদা মণিপুরগী ৱাফম খন্নরুনবা ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ মিদ দে মিল ৱার্করসকী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানি অমদি কাউন্সীল্লর এম নুপীমচাসু শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# আর টি আই এক্টকী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমদি মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসননা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা আর টি আই এক্ট ২০০৫ কী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা অমজুগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনা হায়খি, অমজগী মখাদা আর টি আই সেল অথুবদা হাংদোক্লগনি। আর টি আই অসি করিগুম্বা কান্দা লান্না শীজিন্নবা য়াওই। লোয়নমক্কীদি নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা আর টি আইগী মুভমেন্ট হন্থহনবা চুমদে। আর টি আইগী মুভমেন্ট ৱাংখৎলি মতিক শেঙ্গা-থুমজা অমদি লান্না তৌবা মশিং হন্থরক্কনি। আর টি আইগী মুভমেন্ট কনখৎহনবা চঙই। অমজুগী মখাদা আর টি আই সেল হাংলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম আই সীগী চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার ও সুনিলনা হায়খি, আর টি আই অসি চহী ১ দা ৩০০ লোম ফংই। হন্দক চহীগী ওইনা ১০০ রোম লাকই। অসামদা চহী ১ দা লিশিং ১ রোমগী চাংদা ফংই। আর টি আইগী এৱ্যেরনেস য়াম্না লৈরবদি শেঙ্গা-থুমজা হন্থগনি। আর টি আই শীজিন্নরগা ঈ-পাউ কয়া লৌবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার ডা. এস ইবোচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরমদুদা দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার জুদিসল-১ এস ইনাও অমদি এদভোকেট ডা. সী ঐচ নরেন্দ্রনা রিছোর্স পার্সন ওইখি। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবশিংনা আর টি আই এক্টকী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি হায়রি।

# ককচিংদা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেলগী কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ককচিং রন্নর্সনা শীন্দুনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেলগী অনীশুবা এদিসন চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৮ দা ককচিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী কেম্প্যেন ওইনা ককচিং রন্নর্সকী লমজে ল্লোয়শিংনা ককচিংগী অকোয়বদা লমজেল অমা পাঙথোকখ্রে।

কিলোমিটর ২৫ গী লমশাং লমজেল অমসুং কিলোমিটর ৮ গী ফন রন অনী থোক্লা চাংয়েংনগদৌরিবনি। লমজেল অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা www.kakchingrunners.com দা ওনলাইনগী খুত্থাংদা রেজিষ্টর তৌবগী খুদোংচাবসু পীগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেলগী অনীশুবা এদিসন চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৮ দা ককচিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না নীংশিং লমজেল অসিগী দিরেক্টর নাওরেম রঞ্জিৎ, থবক্তগী পোত্থারবা কর্নেলনা ওফিসল ওইনা জুলাই ৪ দা লাউথোক্লগনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা ককচিংগী দি এস এ গ্রাউন্দ অসি সপ্লায় পোইন্ট ওইনা লৈরম্বা মফম অমনি। মফম অসিদা অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেলগী অনীশুবা এদিসনগী মপুং ওইবা মফম ওইগনি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা লানগী চৈথেং ফংখ্রবা লমদম অসিদা তুংগী মীরোলনা নীংশিংবগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনবনা নুংশি চান্নবা মালেম অমা পুরক্লবা পান্দমদা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেল অসি ককচিং রন্নর্সনা কুমজা ২০১৮ দা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা হৌখিবনি। পাঙথোক্কদৌরিবা লমজেল অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী অচৌবা মতেং মথৌ তাই। মীয়ামগী অচৌবা তেংবাং য়াওদনা লমজেল অসি পাঙথোকপা ঙম্লোইদবনা মীয়াম্না লমজেল অসিগীদমক অচৌবা মতেং পাংবীয়ু।

মালেমগী মফম কয়াদগী লমজেল্লোয়শিং লাক্কদবনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৮ অমসুং মসিগী মমাঙ মতুংদা লমদম অসিদা লৈরিবা লূপ খুদিংমক্না বন্দ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা অমত্তা তৌবীদনবসু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও নীংশিং লমজেলগী অনীশুবা এদিসনগী দিরেক্টর নাওরেম রঞ্জিৎনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লকখিবসু লৈখ্রবনি।

# মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): অপূনবা নহারোল য়াইফ থৌশিল কাঙলুপনা শীন্দুনা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙসি থাংমৈবন্দ থিঙেল লিওনি কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলকখ্রবা অমদি ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থর্দ দিভিজন্দা পাস তৌরক্লবা মহৈরোয় ৬০ রোমদা মনা পীখি। মেদিকেল তম্নবা খল্লকখ্রবা গীতাসু তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুদা ইচল ক্লবকী প্রসিদেন্ট রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, এ এন ৱাই টি কে ক্লবনা শীন্দুনা মহৈরোয়শিং ওকপা অসি য়াম্না নুংঙাই। ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা পাস তৌরকখ্রবা লমদম অসোমগী মহৈরোয় খুদিংমক শরুক য়াবসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। মহৈরোয়শিংনা মায় পাক্লে হায়না লৈথোকপা য়াদে। মসিনা পুন্সিগী অহানবা খোঙথাংনি। তুংদা হেন্না ফজবা পর্ফোমেন্স পীনবা হোৎনগদবনি। ক্লাস টেন পাস তৌরবা মতুংদা লাক্কদৌরিবা ক্লাসশিংগী এগজাম মার্ক ৱাংনা মায় পাক্লবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর য়ুথকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট কোংখাম বিক্রমনা হায়খি, ক্লব অসিনা মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎপসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। ষ্টেট অসি চাউখৎহনসি হায়রবদি হ্যুমেন রিছোর্স শীজিন্নবা তাই। অঙাংশিংগী করিয়র নীংথিনা শেম্বীবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর এল মনি অমসুং ক্লব অসিগী এদভাইজর ঐচ দোরিকানসু অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

অমরোমদা, চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংবু মনা পীদুনা পূক্নীং থৌগৎপগী থৌরম অমা খোরি লৈকায় য়ুথ এসোসিএসন, নম্বোলনা শিন্দুনা ঙসি খোরি লৈকায় কম্যুনিটি হোল, নম্বোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসনগী ট্রেজররনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা সেন্ট জোসেপ ইংলিস স্কুল, নম্বোলগী ফাউন্দর অমসুং দিরেক্টর, দল্লিয়ু লোকেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, কে এল ৱাই এগী প্রসিদেন্ট এম ভৈরোবনা প্রসিদেন্ট অমদি রিটায়র্দ হেদ মিষ্ট্রেস টি মংলেমসনানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লমদম অদোমগী চহী অসিদা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্ভ পাস তৌবা মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি। ঙসিগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগী মনাশিং অদু লাইরেঞ্জম মংলেম্বা, এসোসিএট প্রোফেসর; খুন্দ্রাকপম বিনোদ মঙাঙ, প্রোফেসর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি; দো. তোইজম গম্ভীর, এসোসিএট প্রোফেসর রিমস; হৈরাঙ্খোংজম দেবেন, এ ই মেনিদকো; ঙাঙবম রঘুমনি, গ্রেজুএট টিচর অমদি ওইনাম কুঞ্জবিহারি, প্রোপ্রাইটর, ও কে ফার্মাসি হায়রিবা মীওইশিংনা অসিনা কৎপীখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।







OUR SHINING STARS

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS X, XISc. & XIISc.
START ON 10th July 2019
2nd FOUNDATION COURSE
XI & XII START ON 12nd AUG.2019
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial
HL-P/4242/31may/1-29june/1-15july

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For

2nd Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Class Commence : 15th July 2019

Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : Ist Week of July 2019

Physics Faculty: Madam Tamphasana, Former Lect.: HRD Academy, St. Joseph's School, Maria Montessori Sr. Sec. School
Chemistry Faculties: 1. Miss Nuja, Lect. COMET Sch. 2. Miss Saroja, Lect. MEM Hr. Sec. Sch.
Biology Faculties: 1. Miss Lunfasana, Former Lect. HRDA 2. Sir Romharsha, Lect., KP College
Maths Faculties: 1. Sir. L, Basanta, Former Lect.: HRDA 2. Sir Ingobi, Lect. ADVANCE Sch.
English Faculty: Sir. Susil Singh, Former Lect. : Little Master Sch. KP College & DAV

Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test . Van Services Hostel (Boys & Girls)    Office timing: 7 am - 7 pm
Pliz contact : Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001
HL-B/5460/11-30june/1-10july

OILS COACHING CENTRE
SANGAIPROU MAMANG LEIKAI, IMPHAL
Knowledge conquers all
Temporary office: Khuyathong SB building, near LIC office
Admission open
(5 Months Foundation Course 2019)

Facilities Provided:-
1. Smart Class.
2. Unique Teaching Pedagogy.
3. Study Materials.
4. Regular Doubt Clearing Sessions.
5. Weekly & Monthly Test Series.
6. Guest Faculties from Reputed Institute /University.
7. Biometric Attendance.
8. Classes Under CCTV Surveillance.
9. 5% discount for textbook

Class XI & XII Science
40 Seats only

Scholarship Entrance test:
> First 3 toppers :100% (Fee Waiver)
> Top 4th – 10th : 75% ( Fee Waiver)
> Top 11th – 20th : 50% ( Fee Waiver)
Last date of regd. : 20th June, 2019.
Date of Exam. : 23rd June, 2019.

Last date of Admission : 2nd July, 2019
Class starting : 4th July, 2019

Subjects offered:-
Phys, Chem, Bio & Maths

Special Offer:
i. 15% off for BPL/AAY card holders.
ii. Rs 2000/- off for Govt. School's Students.
iii. 100% fee concession on 80% and above in class X Board Exam.
iv. Free Revision Course (2 months).

For further details please contact: 7005187403 8414874458, 9774114538
OILS Coaching Centre oilscc2019@gmail.com
HL-P/4274/7/30june/1-7july

CSC City Study Circle
ADMISSION OPEN
FACULTY MEMBERS



English B. Haridas | English N. Dhananjoy | Science T. Ibobi | Maths M. Rajendro | Manipuri P.Manglem | English Ratna Mutum | Social Science Ak. Nilamani | Social Science A. Birbal | Science Dr. Shantakumar

11th Revision Course for Cl-X(BSEM)
Sub : All Subjects
Starts :5th Dec. 2019. Timing : 10:00 a.m. - 3:30 p.m.

20th Foundation Course for Cl-X(BSEM)
Sub : All Subjects
Starts : 27th June, 2019 Timing : 5:00 a.m. - 8:00 a.m. Evening 4.30p.m to 7.30 p.m
Hostel Available

Cont/- M.D. Sangaiprou Mamang Leikai, Airport Road. 8729914669, 6909614910 Office hour : 10:00 a.m. - 5:00 p.m.
(HL-B/5425/31/5-29/6(alt